# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৭ ফারে, খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎলে।

২) বিষ্ণুপুর জিলাদা লৌমীশিংনা পোখোক মরাং কায়না পুথোকবা হোৎনরিবা অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

অমসুং

৩) ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর অসি পাকিস্তানলোমদগী মতম শাংনা চত্থরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেকশিংগী চপ চাবা পাউখুম পীবনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৭ ফারে। খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-তেংনৌপল জিলাগী লিবোং-দুথাং জঙ্কসনদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি অমসুং নোংমৈ মরু ৩৫ ফাগৎলে।

অমরোমদা, অককবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট থ্রি কৈথেলমানবী লৌকোলদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। মঙোনদগী থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা শেমদোক্লবা সিঙ্গল বোর এক্সন রাইফল মরি, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন অনি, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মেগজিন মরি, থার্তি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অমা, দিতোনেতর অমা, ফাইবর বি.পি. প্লেট অহুম, কেমোফ্লেক টি-সার্ট ৮, কেমোফ্লেক্কী ফুরিৎ ৮, কেমোফ্লেক্কী খোংগ্রাউ ১৭, তুপি মঙা, পেতি ৬, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ৭, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোনশম লৈকাই থরোইজম লৈরক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং)গী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু ২, মোবাইল ফোন ৩ ফংলে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খোংহামপাৎ অৱাং লৈকাইদগীসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চিংঙাংবম লৈকাইদগী কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট কোইরেংগৈ বজারদগী রাজ্য পুলিসনা য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অনি অমসু ফাগৎলে। মখোয় ইম্ফাল এরিয়াদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোই শাবল লৈকাইদা লৈবা ময়ুমদগী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী ময়াই কাবা নিশা হিরোইননি হায়না চিংনবা পোৎলমশিং ফংলে।

মরক অসিদা, রাজ্য পুলিসনা গাড়িদা টিন্তেদ গ্লাস অমদি ব্লেক ফিলম নপ্পশিং লৌথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়রি।

বিরেন (এল)ঃ নিংথৌখোং, ফুবালা, শুনু সিফাই, ঙাংখা লৱাই অমসুং এ.দি.সি এন্তি ড্রগ কেম্পেন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীহুৎশিংগা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি

নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং মহাক্কী য়ুমদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা খুঞ্জাশিংনা লৌউ শিংউগী থবক মায় পাকা চত্থদুনা তোঙান তোঙানবা পোত্থোক কয়া মরাং কায়না পুথোকপগী ৱারীশিং লীখি। মখোয়না পুথোকপা তোঙান তোঙানবা ইন্সাং নাপীশিংসু শ্রী বিরেনদা খুৎশিন্নখি। মদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অসিনা খুঞ্জাশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মখোয়না থবক কন্না শু নোম্বগী মতৌ অতোপ্পশিংনসু তমদুনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙম্লগনি হায়না মহাকা থাজবা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমদা য়াওরিবা মণিপুরগী শান্নরোই ৭ কা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং মহাক্কী ময়ুমদা উন্নদুনা শান্নরোইশিং অদুবু পুকিং থৌগৎখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- অশুক চাওখ্রবা লৈবাক অসিগী ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৭ শরুক অমা অসি থোইদোকা চাউথোকচনিঙাইনি। মসি মখোয়না থকশি খাশি নাইনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকপগী মহয়না য়ৌবা ঙম্লকখিবনি। শান্নরোইশিং অসিনা মখা তানা কন্না হোৎনদুনা হেন্না চাউবা মায় পাকপা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু শ্রী বিরেন্না ফোংদোকখি।

পের্ন্টিং (এল)ঃ মহৌশাগা লোয়ননা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা অমসুং লেপ্তুনা চাওখৎহনবা হায়বা হিরমদা ক্লাস নাইনদগী তুয়েল্ব ফাওবগী লাই য়েকপা চাংদমবা অমা ঙরাং তমেংলোংদা পাঙথোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা জিলা থাক্কী চাংদমবা অদুদা ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলগী থ্বাংজিয়ানলিউনা অহানবা তাখি।

রাজনাথঃ ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর অসি হৌখিবা চহি কয়াদা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তান ওকুপাইদ জম্মু কাশ্মিরদগী চত্থরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেকশিংগী চপ চাবা পাউখুম পীবনি।

লান্মীগী ১৫ শুবা কোর বদামি বার্গ কেনটোলমেন্টতা লান্মীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সিংহনা ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা চথনবা হোৎনবদা ভারত লান্মীনা থৌনা ফনা মায়োকখিববু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকনা হায়-হৌজিক্তি মালেমগী মীয়ামনা দায়ত্ব য়াওদবা পাকিস্তাননা ভারত্তা শিংনরক্লিবশিং উরে। পাকিস্তানদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিংগী মতাংদা ৱাহং হংল্লদুনা মহাকা হায়-পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিং ইন্টরনেসনেল এতোমিক ইনর্জি এজেন্সিগী মীৎয়েং মখাদা লৌশিনগদবনি।

জয়শঙ্করঃ ভারত অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা শংতাইননবা হোৎনবদা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তনা য়াওবা য়ারোই হায়না কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি। ৱাখৈনবা ৱারী শান্নবা হায়বসি ইস্লামাবাদ অমসুং দিল্লিগী মরক্তা খক্তা ওইগদবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়- পাকিস্তানগা ৱারী শান্নসি হায়রবদি মখোয়না আইন কায়না লৌশিনখিবা ভারতকী লম পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মির হন্দোকপগী মতাং খক্তদা ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা পাকিস্তানদা লৈবা তেরোরিষ্ট কেম্পশিং থুগাইদুনা মাংহনগদবনি।

যুএন ঃ যুনাইতেদ নেসন্সনা হায়রি- ভারতকী ইকোনোমি অসি খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা ইকোনোমি অমনি। যু.এনগী ৱার্ল্ড ইকোনোমিক সিচুয়েসন এন্দ প্রোস্পেক্টস (দব্লিউ.ই.এস.পি)গী চহি তঙ্খায়গী রিপোর্ট মতুংইন্না চৎলিবা শেনবা চহি অসিদা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভমদা লাকশিনবা ঙমদবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরবসু ভারতকী ইকোনোমিগী খোঙজেলদি চাদা ৬.৩ য়ৌরবা য়াই হায়না থাজরি।

অমিতঃ ছাতিসগর অমসুং তেলঙ্গানাগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা করেগুতা চিংশাংদা চথুখিবা ওপরেসনদা শোক্লবা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং ঙরাং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ্না চৎতুনা উন্নখ্রে।

নুমিৎ ২১ নি চুপা নক্সলাইটশিংগী মথক্তা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা শোক্ত্না ন্যু দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা লায়েংলিবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী ফিভম গৃহ মন্ত্রিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংদা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা অসাম রাইফলসনা কুকি মিলিটেন্টনি চিংবা তরা হাৎখিবা, ভি.দি.এফশিংগী মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক হৌখিবা অমসুং অনৌবা লৈঙাক শেম্বগা মরী লৈননা কুকি-জোগী লুচিংবশিং ঙসি গুৱাহাতিদা উন্নরগনি হায়বা পাউ- তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী নিউ সোমতালদা অসাম রাইফলসকা খুৎ থোকবদা মিলিটেন্ট ১০ হাৎখ্রে, চান্দেলদা পাক শন্না ওপরেসন মখা তানা চথুরি, য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- অসাম রাইফলসকা খুৎ থোকবদা কে.এন.এগী লালহৌবা ১০ হাৎখ্রে, চুরাচান্দপুরদা চিন-কুকি লিবরেসন আর্মিগী কাদর অমা ফারে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমস্ং ইংলিস, পোকফম, মোর্নিং বেল, পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা গভর্নমেন্ট শেম্বগা মরী লৈননা ঙসি গুৱাহাতিদা কুকি-জোশিংনা মখোয়গী ফিরেপ লৌগদৌরি হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ঙসি গুৱাহাতিদা মীফম পাঙথোক্কদৌরি, কুকি এম.এল.এশিং, সি.এস.ওশিং, আর্মদ গ্রুপশিং য়ৌশিন্নখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সার্ভিস এক্সেটেন্সন তৌবীদ্রবা ভি.দি.এফশিংনা খুৎলায় থাদোকপগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেল অমসুং সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সেপ্রেসতা মরুওইবা ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভর্নর ইন-কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী এম.এল.এ ১৭ মণিপুরদা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা শেমবা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমস য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

------